# কূগী মতাংদা য়ুএন চীফ গুটরেজনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে পিছ কিপ্পরশিংদা চথখিবা এটেক কন্দেম তৌখ্রে

যুএন, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

কূ চথদুনা প্রসিদেন্ট পোল-হেনরি সন্দাওগো দামিবাবু মফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা বুরকিনা ফাসোদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা গুটরেজকী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজরিকনা হায়খি, মদুদি খুৎলায় শীজিন্নদুনা পৱার পায়শিন্নবা হোৎনরকপগী থৌওং খুদিংমক সেক্রেটরি জেনরেলনা কন্দেম তৌই অমসুং মহাক্না এক্তর খুদিংমক্তা ভাইওলেন্স চথদনবা অমদি দাইলোগ চথদুনা খেন্নবা ৱাফমশিং লৈখায় তাথোক্লবা আপিল তৌরি।

বুরকিনা ফাসোগী আর্মি কেপ্টেন ইব্রাহিম ট্রাওরেনা প্রসিদেন্ট দামিবা মফম লৌথোক্লে হায়না ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা লাউথোকখিবনি। ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা বুরকিনা ফাসোগী কেপিটেল সিটি ৱুগাদুব্রুদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাবা ফংখি।

প্রসিদেন্সিএল পেলেসতা চঙথোক চঙশিন তৌবা, পব্লিক টেলিভিজন অমদি সিটি অদুদা লৈরিবা অকক্নবা ষ্ট্রেটেজিক পোইন্ট খরা লান্মীশিংনা ব্লোক তৌশিনখি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বুরকিনা ফাসোদা অথুবা মতমদা কন্সটিট্যুস্নেল ওর্দর লাকহন্ননবগী মায়কৈদা লমদম অদুদা হোৎনরিবশিং সেক্রেটরি জেনরেলনা মপুং ফানা শৌগৎলি।

বুরকিনা ফাসোদা মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম লৈহনবা অমদি টেররিষ্ট গ্রুপশিং অমসুং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ওপরেট তৌরিবা ক্রিমিনেল নেটৱার্কশিং মায়োক্নবা য়ুনিটি লৈহনবা মথৌ তাই। লৈবাক অদুদা তুং কোইনা মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম লাকহন্নবা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না হোৎনরিবশিং য়ুএননা মতম চুপ্পদা মতেং পাঙনবা শেম শাদুনা লৈ হায়বা ৱাফমসু গুটরেজনা নৌহৌননা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা কূ অদু চহী অসিদা বুরকিনা ফাসোদা পাঙথোকপা অনীশুবা কূনি। অহানবগী জনুৱারী ২৪ দা পাঙথোকখিবা কূ অদুদা প্রসিদেন্ট রোক কাবোরিবু মফমদগী চিংথুখিবগা লোয়ননা ফেব্রুৱারী ১৬ তা দামিবাবু লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখি।



অমরোমদা, কোঙ্গোদা য়ুএন পিছ কিপ্পরশিংদা এটেক চথখিবগী থৌদোক য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেলনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। পিছ কিপ্পরশিংদা চথখিবা এটেক অদুদা পাকিস্তানি ব্লু হেলমেট অমা শিখিবনি। অসিগুম্বা এটেকশিংগী মতাংদা সেক্রেটরি জেনরেলনা নৌহৌননা হায়রি, মদুদি য়ুএন পিছ কিপ্পরশিংদা এটেক তৌবা হায়বসি ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা ৱার ক্রাইম অমা ওইবা য়াই।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা অমদি মরাল লৈবশিংবু লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফঙহন্নবা মহাক্না কোঙ্গোগী ওথোরিটিশিংদা আপিল তৌখ্রে হায়না গুটরেজকী স্পোক্সমেন দুজরিক্না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা দুজরিক্না হায়খি, মদুদি লৈখিদ্রবা পিছ কিপ্পর অদুদি ইমুং মনুংনা নঙহৌরিবা অৱাবদা মহাকসু শরুক য়ারি। য়ুএননা মখা তানা কোঙ্গোলিস গভর্ণমেন্ট অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনরিবদু শৌগৎখিগনি। সাউথ কিবু প্রোভিন্সকী মিনেমৱেদা লৈবা য়ুএন পিছ কিপ্পিং মিশনগী কম্পেনি ওপরেটিং বেজ অমদা চথখিবা এটেক অদু টুইৱানেহো মিলিটেন্টশিংনা পাঙথোকখিবনি হায়না থাজনরি।

# জেরুসালেমগা নক্লনা ইজরেল্লি আর্মিনা নহা ১ অতম্ননা হাৎখিবগী থৌদোক পলেষ্টাইননা কন্দেম তৌখ্রে

রামালা, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

জেরুসালেমগী নোংপোকলোমদা লৈবা অল-অলজেরিয়া টাউনদা পলেষ্টিনিয়ন নহা অমা ইজরেল্লি-শিংনা অতম্ননা হাৎখিবগী থৌদোক কন্দেম তৌই হায়না পলেষ্টাইননা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ১৮ শুরবা ফায়েস দামদুম কৌবা পলেষ্টিনিয়ন নহা অদুবু ইজরেল্লিশিংনা অতম্ননা হাৎখিবগী থৌদোক পলেষ্টিনিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌদুনা কন্দেম তৌখি। মিনিষ্ট্রি অসিনা পলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্বু মালেম্না প্রোটেক্সন পীবা মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকখি। পলেষ্টিনিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না পলেষ্টিনিয়ন নহা অদু ইজরেল্লি বোর্দর পুলিসনা মঙকশমদা নোংমৈনা কাপখিবনি।

এজেন্সিনা মেদিয়া আউটলেটশিং পল্লদুনা হায়রি, মদুদি ইজরেল্লি বোর্দর পুলিস অমদা মোলোটোব কোক্টেল অমা লংশিন্নবা হোৎনরিঙৈদা দামদুমবু নোংমৈনা কাপখিবনি।

থৌদোক অদুবু উহৌবা পলেষ্টিনিয়নশিংনা হায়খি, মদুদি দামদুম মঙকশমদা ফিভম থীনা শোকখি অমসুং মহাক ঈ থোকমন দুনা শিখিবনি। মহাকপু মেদিকেল ক্রুশিংনা হোস্পিটালদা পুনবা হোৎনবদা ইজরেল্লি বোর্দর পুলিস ওফিসারশিংনা অথিংবা পীখি হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।



মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুদা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়রি, মদুদি দামদুমবু হাৎপা অসি ইজরেল্লিশিংগী সিষ্টেমেটিক অমসুং পাক শন্না চথরক্লিবা পোলিসিশিংগী শরুক অমনি। মখোয়গী অসিগুম্বা পোলিসিশিংগী মখাদা ফিল্ড একজিক্যুসন কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা ঐখোয়গী মীওইশিংবু অতম্ননা অমদি লোনা য়াদবা মওংদা হাৎপগী থবক লেপত্রি। মসিনা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা প্রোব্লেম হেন্না লুশিলহল্লি। ইজরেল্লি ওক্যুপেসনগা মরী লৈনবা অসিগুম্বা শাথিরবা ক্রাইমশিং ইজরেল্লি গভর্ণমেন্টনা মপুং ফানা অমদি হকথেংননা থৌদাং য়াফম থোকই।

পলেষ্টাইননা য়ুএন য়াওনা ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন পুম্নমক্তা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নদুনা অসিগুম্বা ক্রাইমশিং অসিবু রেকোর্দ তৌবগা লোয়ননা পলেষ্টিনিয়নশিংগী লম পায়শিল্লিবশিংবু মখোয়না চথরক্লিবা ক্রাইমশিং অদুগী য়াহনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ইজরেল্লি আর্মিনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট অমসুং এক্টিভিষ্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন কনশিনখিবগা লোয়ননা হৌখিবা থা খরা অসিদা ইজরেল্লি অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

# ইমরান খানবু ওফিসল সিক্রেটস এক্টকী মখাদা ৱায়েল চথগদবনি: মারিয়ম নৱাজ

লাহোর, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর্স ওফিস (পিএমও) দগী সিফর অমা হুরানখিবগীদমক পিটিআইগী চিয়ারমেন ইমরান খান ওফিসল সিক্রেটস এক্টকী মখাদা ৱায়েল চথগদবনি হায়না পাকিস্তান মুস্লিম লিগ-নৱাজ পিএমএল-এনগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি।



প্রেস কনফরেন্স অদুদা পি এল এম-এনগী লুচিংবশিংনা হায়খি, মদুদি ইমরান খান অমসুং মহাকপু পুক্লিং থৌগৎলিবশিংগী মায়োক্তা আর্টিকল সিক্সকী মখাদা এক্সন লৌখৎকদ্রা হায়বদু কুপ্পা তান্নরবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টনা ৱারেপ লৌগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসকী ওদিও লিকশিং অসি সেক্যুরিটিদা চাওনা তেমশিংনবা অচৌবা থৌদোকশিংগী মনুং চল্লি। ইমরান খাননা সিফর অদু মহাক্কী গাড়ীদা লোৎশিল্লগা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতগী হুরানখিবনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

পিএলএম-এনগী ভাইস প্রসিদেন্ট মারিয়াম নৱাজনা হায়খি, মদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা ট্রুম্পকী ময়ুমদা রেইদ চথখি। অসুম্না মান্নবা মওংদা পাকিস্তানদসু রেইদ চথগদবনি। বানিগালাদা থী হুম্বা চথদুনা সিফর অদুবু লৌখৎনবা হোৎনগদবনি।

মারিয়ম্না হায়খি, মদুদি জেলদা লৈগদবা মীওই অমনা অফা অপুন অমত্তা থোক্তনা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈহল্লিবা লৈবাক অদুগী সিষ্টেম অদু ঙক্লিংঙাই ওই। পব্লিক মীটিং কয়াদা পুথোক্লগা হঞ্জিন হঞ্জিন ঙাঙদুনা ইমরান খাননা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সিওএস) এপোইন্টমেন্টগী ৱাথোক অমা অতম্ননা থোকহন্নবা হোৎনখি।

ইমরান খান অসি পাকিস্তানগী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাওনা মীনম্বা ঙাঙবা মীওইনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মারিয়ম্না হায়খি, মদুদি করিগুম্বা মহাক্না ইমরানবু এক্সপোজ তৌবা হৌরবদি মদু পুং কয়া চঙগনি।

মীখলদা মায় পাক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর কয়া লাকখি অমদি দিক্টেটর কয়াসু লাকখি। তৌইগুম্বসুং ইমরান খাননা লৈবাক্কী থাজবা মাঙহল্লিবা অসিগুম্না অতৈনা তৌখিদে হায়বা য়াই হায়না মারিয়াম্না ফোঙদোকখি।

ওদিও লিকশিং অদুগী মতাংদা পল্লদুনা মারিয়ম নৱাজনা হায়খি, মদুদি মীওই কয়ানা ইমরান খানগী ওদিওশিং তারি। মীয়াম্না ওদিওশিং অদুবু হেন্না হেন্না তাবগা লোয়ননা মহাক্না থৌরাং তৌখিবা লৌতুনবা অদু কয়াম্না চাওবগে হায়বসি মখোয়না শোয়দনা খঙবা ঙম্লগনি।

অমরোমদা, ওদিও লিকশিং অদুগা মরী লৈননা হান্নগী পিএম অসিগী মায়োক্তা হৌনবী মতুং ইন্না লিগেল এক্সন লৌখৎনবা পাকিস্তানগী ফেদরেল কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

# হেক ভিক্তিমশিং প্রোটেক্সন পীবদা মতেং পাঙনবা তকশিনখ্রে

কানবেরা, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

অচৌবা দেটা ব্রিচনা শোকহল্লবা কষ্টমরশিংবু মতেং পাঙবা ঙমদে হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুগী অচৌবা টেলি কম্যুনিকেসন্স প্রোভাইদরবু মরাল শীখ্রে।

দেটা ব্রিচ অদুনা শোকহল্লবশিংবু গভর্ণমেন্টনা প্রোটেক্সন পীবদা মতেং পাঙনবা হোম এফিয়র্স এন্দ সাইবর সেক্যুরিটি মিনিষ্টর ক্লেয়র ওনিল অমসুং মিনিষ্টর ফোর গভর্ণমেন্ট সার্ভিসেস বিল সোর্টেননা নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফটসতা তকশিনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাওবা দেটা ব্রিচশিংগী মনুংদা অমা ওইনা ওফটসনা মসিবু সাইবর এটেক অমা চথরক্তুনা হৌজিক্কী অমসুং হান্নগী কষ্টমর মিলিয়ন তরা ফাওবগী ইনফোর্মেসন কম্প্রোমাইজ তৌখি হায়বসি হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা খঙবা ঙমখি।

সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং কনখৎহন্নবগীদমক্তা সার্ভিসেস ওষ্ট্রেলিয়ানা ইনফোর্মেসন কম্প্রোমাইজ তৌখি হায়রিবা কষ্টমর পুম্নমক্কী মপুং ফাবা অকুপ্পশিং পীরক্ল বা হায়জখি। তৌইগুম্বসুং হিরম অসিগা মরী লৈননা হৌজিকসু পাউখুম ঙাইরি হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখি। ও নিল অমসুং সোর্টেননা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা স্কেলদা ওষ্ট্রেলিয়াদা দেটা ব্রিচ চথরকখিবা অসিদা ওফটসনা সোলুসন পুরক্নবগীদমক্তা ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্ণমেন্টগা খুৎশম্ননা থবক তৌবা মথৌ তাই।

ও নিলনা হায়খি, মদুদি মসি থোকফম থোক্তবা সেক্যুরিটি ব্রিচকী থৌদোক্নি। তৌইগুম্বসুং মসিদা য়াম্না লুনা খন্নগদবা ৱাফমদি ঐখোয়না মায়কৈ অমদা চৎমিন্নদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানশিংগী মায়কৈদা ফাইনান্সিএল ক্রাইম চথবা থিংননবা তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌবা অসিনি।

কষ্টমর মিলিয়ন তরাদুগী মনুংদা কষ্টমর কয়াগী আইদেন্টিটি দিটেলশিং এটেক অদুদা হুখিবগে হায়বসি হৌজিক ফাওবা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু হেক্করশিং অসিনা মীওই লিশিং তরাগী আইদেন্টিটি দিটেলশিং রিলিজ তৌখি। ভিক্তিমশিং অদুবু প্রোটেক্ট তৌনবগীদমক্তা ওষ্ট্রেলিয়ন ফেদরেল পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখি।

# বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরু ওইবা ওফিসলশিং উন্ননবা জেনরেল বজৱা য়ুএসতা থুংখ্রে

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

পাকিস্তানগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল কামর জাবেট বজৱা চয়োল অমরোম চুপ্পা চথগদবা খোঙচৎ অমগীদমক য়ুএসতা থুংখ্রে।

মহাক্না বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী সেনিয়র ওফিসলশিংগা মীফম কয়ামুক চথগনি হায়না ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।



দোনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না জেনরেল বজৱা য়ুএসতা থুংলরে হায়বসি পাকিস্তানগী এম্বেসেদর সর্দার মসুদখাননা কনফার্ম তৌখি। জর্নেলিষ্টশিংনা মঙোন্দা আর্মি চীফ অদুগী খোঙচৎকী মতাংদা হংখিবনি।

আর্মি চীফকী খোঙচৎ অদুগী প্রোগ্রামশিং এনভোই অসিনা ফোঙদোকখিদ্রবসু জেনরেল বজৱানা দিফেন্স সেক্রেটরি লোইদ ওষ্টিন, নেসনেল ইন্টলিজেন্স দিরেক্তর অব্রিল দি হাইন্স অমসুং সিআইএগী দিরেক্তর ৱিলিয়ম জে বর্ন্সকা উন্নরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

পাকিস্তানগী ওফিসলশিংনা য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনিও ব্লিঙ্কনগসু মীফম অমা পাঙথোকপা য়াননবা হোৎনরি। মীফম অদু পাঙথোকপা য়াবগী ফিভমশিং লৈরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনফার্ম তৌদ্রি হায়না সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

জেনরেল বজৱা মহাক্কী ওফিসল প্লেনদা মহাক্কী সেনিয়র এইদশিংগা লোয়ননা তোংমিন্নদুনা ইরাই নুমিত্তা লন্দনদগী ন্যু য়োর্কতা লৈবা লা গর্দিয়াদা থুংখি।

চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা মহাক ৱাশিংতনদা থুংগদবনি অমসুং নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসল মীটিংশিং পাঙথোক্ল বা লেপখ্রে।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাকিস্তানগী আর্মি চীফ অসিনা তোঙান তোঙানবা থিঙ্ক টেঙ্ককী মেম্বরশিং অমদি পাকিস্তানি এফিয়র্সতা ইন্টরেষ্ট লৈবা অতৈ স্কোল্লারশিংগা উন্নগনি।

জেনরেল বজৱানা হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়ুএস ওফিসলশিংদা তোইনা ফাওনদুনা অচেৎপা মরী থম্নবা হোৎনখিবা ওইরবসু মহাক্না ইকোন কোন্না য়ুএসতা ওফিসল খোঙচৎ অমা পাঙথোকখিবসি কুমজা ২০১৯ দনি।

চহী অদুদা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ৱাশিংতনদা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমদা মহাকসু লোইনখিবনি।

# মীখলগী মাঙওইননা সেটলমেন্ট চাওথোরকপা য়াই হায়না পিএলওনা ৱার্নিং তৌখ্রে

রামালা, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

ইজরেলদা রাইট-ৱিং অমসুং এক্সট্রিম রাইট পার্টিশিংগী ইলেক্তরেল কেম্পেইনশিংদা ইজরেল্লি সেটলমেন্ট শেমগৎ শাগৎপগী ৱাফম্না মরু ওইরক্লি হায়না পলেষ্টাইন লিবরেসন ওর্গনাইজেসন (পিএলও) না ৱার্নিং তৌখ্রে।

স্পিসল রিপোর্ট অমদা পিএলওগী নেসনেল ব্যুরো ফোর দিফেন্দিং লেন্দ এন্দ রেজিষ্টিং সেটলমেন্টসনা হায়খি, মদুদি অনৌবা সেটলমেন্ট প্লানশিং এপ্রুভ তৌবা নত্ত্রগা হৌজিক লৈরিবা আউটপোষ্টশিংবু অনৌবা সেটলমেন্টশিং ওইনা লিগেলাইজ তৌবা অসি ষ্টেক হোল্ডরশিংবু খ্বাইদগী শাথিবা মওংদা এক্সপ্লোইট তৌদুনা সেটলরশিংগী ভোট ফংনবা হোৎনরকপনি হায়না পলেষ্টিনিয়নশিংনা লৌই।

ইষ্ট জেরুসালেম য়াওনা পলেষ্টিনিয়ন টেরিটরিশিংদা সেটলমেন্টশিং হেন্না চাওথোকহন্দুনা ইজরেলগী রাইট-ৱিং অমসুং এক্সট্রিম-ৱিং পার্টিশিংনা অহেনবা ভোটশিং ফঙননবা হোৎনরি হায়না পিএলএগী রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৬৭ কী জুনদা শোক্লখিবা মিদ্দল ইষ্ট লানদা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্ক, গাজা ষ্ট্রিপ অমসুং ইষ্ট জেরুসালেম পায়শিনখি। পলেষ্টিনিয়নশিংনা ক্লেম তৌরিবা লমশিং অদু মতমদুদগী ইজরেলনা কন্ট্রোল তৌদুনা লাক্লিবনি।

ওফিসল পলেষ্টিনিয়ন ফিগর্সকী মতুং ইন্না ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইষ্ট জেরুসালেমদা ইজরেল্লি সেটলর ৭০০,০০০ হেন্না লৈ। সেটলমেন্ট চাওথোকপা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈরিবা পলেষ্টিনিয়নশিংগী লমশিং মুনবনা ষ্টেট অনীগী সোলুসনদা অকায়বা চাওনা পীগনি হায়না পলেষ্টিনিয়ন লিদরশিং অমসুং ওফিসলশিংনা তোইনা ৱার্নিং তৌখ্রবনি।

# ওপেক প্লসকী অহানবা মশা লাক্তুনা শরুক য়াগদবা মিনিষ্ট্রিএল মীটিং পাঙথোক্লগনি

ভিএনা, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

ওপেক প্লস ওইল কার্টেলনা ওক্তোবর ৫ দা ভিএনাদা মিনিষ্ট্রিএল লেভেলগী মীফম পাঙথোক্তুনা তুংগী আউটপুট ষ্ট্রেটেজিগী মতাংদা খন্নরগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমানা হায়রি।

কুমজা ২০২০ গী মার্চতা কোভিদ ১৯ গী রেষ্ট্রিক্সনশিংনা মরম ওইদুনা ওনলাইনদা মীফম পাঙথোকখিবা মতুংদা ওপেক প্লসকী মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংনা মশা মশা লাক্তুনা ভিএনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসি অসিগুম্বা মখলগী অহানবনি।

শেল থুমগী থবক থৌরমশিং তপথরকপা অমদা দিমান্দ কন্ট্রেক্সনগী অকিবা লৈবদগী হন্দক্তা থাউগী মমলশিং হন্থরকখিবগা লোয়ননা মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপেক প্লসকী মীফম অদুগী ৱারেপ ইনভেষ্টরশিংনা ঙাইনরিবনি। ৱেষ্ট টেক্সাস ইন্টরমেদিয়েট (দব্লিয়ু টি আই অমসুং ব্রেন্ট ক্রুদ অনীমক হৌখিবা জুনদা বেরেল অমদা দোল্লর ১২০ হেল্লম্বদগী বেরেল অমদা দোল্লর ৮০ রোমদা হন্থরকখিবনি।

# ওফিস পায়বা থা ফাদ্রিবা লিজ ট্রস মফম লৌথোক্লবা কঞ্জার্বেটিব এমপিশিংনা তকশিনখ্রে

লন্দন, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

মমাঙগী জেনরেল ইলেক্সনদা কঞ্জার্বেটিবশিংবু শৌগৎখিবা ভোটর চাদা ৭১ য়াওনা য়ুকেগী ভোটর শরুক মরি থোকপগী অহুম্না প্রাইম মিনিষ্টর লিজ ট্রস অমসুং চাঞ্চেল্লর ক্বাসি ক্বার্টেম্না ইকনমি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রে হায়না থাজরি।

মসি টোরি কনফরেন্সকী মাঙ-ওইননা ওবজার্বরনা লৌখিবা ওপিনিয়ন পোল অমগী মতুং ইন্ননি হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

ওপিয়ম্না লৌখিবা সর্ভে অদুদা লেবরনা হৌখিবা চয়োল খক্তদা পার্সেন্টেজ পোইন্ট ১৪ ফাওবা হেন্না লিদ তৌখি হায়বসি খঙবা ঙমখি। হান্না পোইন্ট মঙা লিদ তৌরম্বদগী পোইন্ট ১৯ দা হেনগৎলকখিবনি।

অমরোমদা, ট্রসকী রেটিংশিং হৌজিক বোরিস জোন্সননা পার্টিগেট ৱাথোক্কী মতমদা লৈখিবা রেটিং অদুদগী হন্থরে। অসিগুম্বা ফিভম অসি ওফিস পায়বা থা অমা ফাওবা ফাদ্রিবা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টরবু নম্বর টেনদগী লৌথোক্লবা টোরি এমপি খরনা দিমান্দ তৌবা হৌরকপদগী লাকপনি হায়রি।



পার্টিগী অতৈ সেনিয়র লিদরশিংনা ৱার্নিং তৌরদুনা হায়রি, মদুদি ক্বার্টেনগী টেক্স হন্থহনবা বজেট অদুদগী লাক্লিবা ইকনোমিক মেনেজমেন্টগা মরী লৈননা পার্টিগী মিংচৎতা অকায়বা লাক্লিবদু অদুক্কী মতিক শাথিবা মওংদনি। মদুবু শেমজিন্নবা হোৎনবদা চহী কয়া চঙগনি।

হান্নগী এমপি অমসুং থেরিসা মেগী চীফ ওফ ষ্টাফ ওইরিবা টোরি মেম্বর গাবিন বার্য়েলনা নোংমাইজিং নুমিৎকী ওবজার্বরদা ইরদুনা হায়খি, মদুদি ট্রসকী গভর্ণমেন্টনা কঞ্জার্বেটিব পার্টিগী পব্লিক ফাইনান্সকী অফবা মেনেজমেন্টগী মিংচৎ অদু শুপ্পগী থা অমরোম ওফিস পায়রকপদা মাঙহনখ্রে। পার্টি অসিগী মিংচৎতা শোকহল্লিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা চহী কয়া চঙগনি।

টোরি কনফরেন্সকী মাঙওইননা বিরমিংহামদা প্রাইম মিনিষ্টর ট্রসনা হায়খি, মদুদি লৈবাক অদুগী ইকনোমি পুমনৌ নৌবা থৌরাংশিংগা লোয়ননা অহোংবা লাকহনবা মথৌ তাই। মহাক্না অঙম্বা থাক্তা লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্ননবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ট্রসনা হায়খি, মদুদি মেনেজমেন্টদা শোয়রকপগী ফিভম উরিবা হৌজিক্কী ট্রাজেক্তরি অসিদা ঐখোয়না মখা চথবা য়াররোই। মদুগী মহুত্তা ঐখোয়না অনৌবা দিরেক্সন অমা য়েংগদবনি। তুংদা হেন্না ফবা ফিভম অমা লাকহন্নবগী লম্বীদা ঐহাক্না পুম্নমকপু লমজিংগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী শেল থুমগী ওইবা পোলিসিদা মশাগী পার্টি মনুংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা হৌনরকখিবগা লোয়ননা টোরি এমপি খরদি পিএমগী প্লানশিং অদুগী মচাকশিং করম্না ব্লোক তৌগদগে হায়বগী মতাংদা লেবরগা ৱারী শান্নবা হৌনবা হায়রি।

# নোং কন্না চুবদগী ঘানাদা অমাঙ অতা চাওনা থোক্লে

অক্রা, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

কেপিটেল অক্রা য়াওনা ঘানাগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুবদগী দাউন টাউন এরিয়াশিংদা ঈশিং থুম্বগা লোয়ননা মরু ওইবা লম্বীশিংগী ট্রাফিক্তা চাওনা অকায়বা কয়া থোকহনখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদগী নুংথিল ফাওবা লেপ্তুনা নোং চুরকখি। অক্রা সিটিগী মরু ওইবা ইরম নালাশিং ঈশিং পাথোকখিবগা লোয়ননা লম্বীশিংদা লৈরিবা পোর্ট হোল খরদি হান্নদগী হেন্না চাওথোকখি অমদি লুথখি। লৈবাক অসিগী সিটিশিংদা ভেহিকল অমসুং কম্মুটরশিংনা মখোয়গী পন্থুংফমশিং য়ৌননবগীদমক ঈশিং মরক্তা চৎনখি।

দ্রাইভর খরদি উবা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা মখোয়গী গাড়ীশিং লম্বীশিংগী অতোংবা শরুকশিংদা খাম্ন খি। ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মীওই কয়ানা মখোয়গী য়ুমশিং অমদি দুকানশিংগী ঈশিং শিৎতোক্ল বা উখি। ঈচাও অদুগী ফিভমগী মতাংদা ভিদিওশিং অমসুং কম্মেন্টশিং সোসল মেদিয়াদা থাগৎনখি। রেসিদেন্টশিংনা গভর্ণমেন্টদা মতম শাংলক্লবা দ্রেনেজকী প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা তুং কোইনা চৎকদবা সোলুসন পুথোক্লবা তকশিনখি। টেমাদা লৈবা কোন্না দোটজে কৌবা মীওই অমনা এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা নোং কন্না চুরকপদুনা মহাক্কী প্রোপর্টি মাঙ তাকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

# পার্টিশিংদা ট্রুস শাংদোক্লবা প্রপোজ তৌখ্রে

অদেন, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

ওক্তোবর ২ দা মতম লোইরগদবা হৌজিক চৎনরিবা ট্রুস মখা তানা শাংদোক্লবা তকশিল্লিবা অপদেট তৌরবা য়ুএন প্রপোজেল অমা য়েমেনগী লান শোক্লরিবা পার্টিশিংগী সাইট অনীমক্তা ফঙহনখ্রবসু প্রপোজেল অদু করি ফিভমদা লাক্কদগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

য়েমেনগী ষ্টেটনা চল্লাইবা সবা ন্যুজ এজেন্সিনা রিলিজ তৌখিবা গভর্ণমেন্ট ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না হৌজিক চৎনরিবা ট্রুস অদু ওক্তোবর ২ দগী হৌরগা হেন্না শাংদোক্লবা অমদি অতৈ মফমশিংসু কোনশিন্নবা তকশিনবা য়ুএনগী অপদেট তৌরবা প্রপোজেল অমা য়েমেনগী ওইবা স্পিসল এনভোই হান্স গ্রুনবর্কনা থারক্লে। ট্রুস অদুগী মরু ওইবা পান্দমদি হাৎন শুনবা লেপহনবা অসি ওইবনা য়েমেনি গভর্ণমেন্টনা ওফিসল অদু হৌজিকসু খন্নরি অমদি অচান মিরাই নাইদনা প্রোভিন্স পুম্নমক্কী মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা মদুবু পোজিটিব ওইনা খন্নরগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, গভর্ণমেন্টনা ট্রুস অদু রিন্যু তৌদুনা য়েমেনি পুম্নমক্তা কান্নবা হেন্না ফঙহল্লগনি। মখোয়গী চথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহনবগা লোয়ননা হৌথি মিলিসিয়ানা চথখিবা কূ অদুনা থোকহল্লিবা অৱা অনাশিং কোক্লনবা পীফম থোকপা তলবশিংসু পীরগনি।

চৈরকসিদা ট্রুস অদুগা মরী লৈনবা হৌথি গ্রুপকী নিগোসিএসন টিম্না থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা ট্রুস অদুবু রিন্যু তৌবা য়ানবা চথরক্লিবা নিগোসিএসন অদু পুল্লেপ লেপ্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# ইন্দিয়ানা ভোট লৌনবদা য়াওখিদবসিনা য়ুএসকা লৈনবা মরীদা অকায়বা পীরোই

ন্যু য়োর্ক, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান দাবগী মতাংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা পুথোরকখিবা রিজোলুসনশিংগী ভোট লৌনবদা ইন্দিয়ানা য়াওখিদবা অসিনা ইন্দিয়া-য়ুএস মরীদা থোইদোক্লা অকায়বা পীগদবা লৈতে নত্ত্রগা ইন্দিয়াগী খোঙথাংশিং অসি ন্যুট্রেলিটি ওইনা উদে হায়না য়ুএসকী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব লিন্দা থোমাস-ব্লিঙ্কননা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী মতাংদা মরু ওইবা রিজোলুসন অমা পাস তৌনবা হোৎনবদা মাপল্লকশুবা ওইনা ইন্দিয়ানা শরুক য়াখিদ্রবা মতুং ইরাই নুমিত্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা লিন্দানা হায়খি, মদুদি ইন্দিয়াগী থৌওং অদুবু রসিয়াবু শৌগৎতুনা চথখিবা নত্তে।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অসিবু ন্যু দিল্লিনা য়াম্না ময়েক শেংনা কন্দেম তৌখ্রবনি। রসিয়ানা য়ুক্রেনদগী পায়শিনখিবা লমদম মরি লৌশিনখিবা খোঙথাংবু কন্দেম তৌবা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন অমা পাস তৌনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া, চাইনা, ব্রাজিল অমসুং গাবোন য়াওখিদবনি।

থোমাস-গ্রিনফিল্ডনা হায়খি, মদুদি মখোয়না মখা তানা য়ুক্রেনগা মরী লৈনবা রিজোলুসনশিং শৌগৎখিবা অসিনা রসিয়াগী মীচংদা লেপ্লি হায়বদি নত্তে। মখোয়না কৈদৌঙৈদসু রসিয়াবু শৌগৎপা লৈতে। রসিয়ানা চথরিবা লান অসিবু মখোয়না ময়েক শেংনা কন্দেম তৌখ্রবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ভোট লৌনবদা য়াওখিদবা লৈবাক মরি অদুনা করিগীদমক্তা ৱারেপ অদু লৌখিবনো হায়বসি ঐহাক্না এক্সপ্লেন তৌবা ঙমদে। তৌইগুম্বসুং মখোয়না কাউন্সিলদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং ঐখোয়না নীংশিংবা য়াই। মখোয় মরিমক্না য়ুক্রেনদা রসিয়ানা চথরিবা থৌওংশিং অদুবু নুংনাংবা উৎখ্রবনি।

# জপানগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা য়ুহা হাখ্রে

টোকিও, ওক্তোবর ২ (এজেন্সী):

প্লিমিনরি মেগ্নিট্যুট ৫.৯ ওইদুনা জপানগী খা নোংচুপ থংবা প্রিফেকচর মিয়া ঝাকি অমদি অতৈ মফমশিংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা য়ুহা হাখ্রে হায়না টোকিওদা ৱেদর এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সি অসিনা মখা তারদুনা য়ুহা অদুগা মরী লৈননা ওথোরিটিশিংনা সুনামি ৱার্নিংশিং ইস্যু তৌবা লৈখিদে। জপান মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সি (জেএমএ) গী মতুং ইন্না য়ুহা অদু লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ১২.০২ তাবা মতমদা থোকখিবনি। মদুগী ইপিসেন্টরনা ওসুমি পেনিন্সুলাদগী কিলোমিটর ৩৫ লুথবা মফমদা ওইখি।

নিচিনান সিটিদা মদু জপানগী সেস্মিক ইন্টেন্সিটি স্কেলদা ৫ গী মখা ওইনা রেজিষ্টর তৌখি। ৭ তা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরিবা জপানিজ সেস্মিক ইন্টেন্সিটি স্কেল অদুদা য়ুহা অদুগী মেগ্নিট্যুট মিয়া জাকি সিটিদা ৪ ওইখি অমসুং অনকপা প্রিফেকচরশিং ইহিমে, সগাদনা ৩ ওইখি।